## সেনিয়র আর্চরশিং লাউথোকখ্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* জে এন ষ্টেদিয়ম নিয়ু দিল্লিদা ওক্টোবর ১১ দগী ২০ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সেনিয়র নেস্নেল আর্চরি চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়ান রাউন্দ, কম্পাউন্দ অমদি রিকপ ইভেন্টশিংদা শরুক য়াগদবা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী আর্চরশিং মণিপুর আর্চরি এসোসিয়েসননা লাওথোকখ্রে।

নুপী ইন্দিয়ান রাউন্দগী খল্লবা আর্চরশিং অদুদি পি সোনিয়া, কে মানাবিদ্যা, কে ঐচ রেজিয়া অমদি এস নির্মালানি। কম্পাউন্দদা পি লিলি চনু, গীতাঞ্জলি লাইশ্রম, আর কে সত্যপ্রিয়া অমদি পি বেবীনি। রিকপতা পি লুসি, এম রুপন, টি ঐচ সুরমালা অমদি লুমিলা ফুংসোকনি।

নুপা ইন্দিয়ান রাউন্দগী খল্লবা আর্চরশিং অদুদি টি ঐচ লানঙম্বা, ঐচ রাজেন্দ্রো, এল সাফবা অমদি এ রোহিটনি। কম্পাউন্দদা কে ঐচ রতনকুমার, কে এস ঐচ নিকোন, ও কেনেদি অমদি এস ঐচ রমাকান্ত শর্ম্মনি। রিকপ্তা এল মালেমঙানবা, এ জয়চন্দ্র, এম অজিৎ অমদি ৱাই দিনকুমারনি।

খল্লবা আর্চরশিংনা হয়েং অয়ুক্কী পুং ৭ তাবা মতমদা খুমন লম্পাক্তা লাক্নুনা মখা তাবা কোচিংগীদমক রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়না এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরিগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## টেকা সেমি চঙখ্রে



*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* ওল মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগী মিৎয়েং মখাদা য়াইস্কুল কাংখুৎনা শিন্দুনা শ্রীশ্রী গোপালদেব মান্দপতা চথরক্লিবা ৫৯ শুবা সার চুড়াচান্দ সিংহ (কে সি এস আই, সি বি ই) লীগ কম নোক আউট কাং টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী ঙসি শান্নখিবা অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা টেকা পিশুম্না লাসাল লৈমপোকপম্বু পাঞ্জল ২৫–২৪ দা মায়থীবা পীরগা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

## লোকেন্দ্রো খল্লক্রে

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* থাইলেন্দদা ওক্টোবর ১১ দগী ১৯ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা ১০ শুবা য়ুঠ গার্লস এসিয়ান ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৪ দা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়ান টিমগী এসিস্টেন্ট কোচ ওইননবা ভোল্লিবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা মণিপুরগী কে ঐচ লোকেন্দ্রো সিংহ খল্লক্রে।

# মিনি বোইজ ফাইনেলদা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেম শান্নরগনি

VOLLEYBALL

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা তোঙান তোঙানবা কেটাগোরিশিংগী ষ্টেট লেভেল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ হয়েং নুংথিলগী পুং ১ তাবা মতমদা লোয়শিল্লগনি। মিনি বোইজকী ফাইনেলদা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবমগা এন ৱাই ভি এ নাওরেমগা শান্নগনি। সব জুনিয়র বোইজগী ফাইনেলদনা আই জি ও ওইনামগা এন ৱাই ভি এ নাওরেমগা শান্নগনি। ৱুমেন্সকী ফাইনেলদনা এস ৱাই দি এ মুতুম ফিবৌগা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবমগা শান্নগনি।



*টি জি ঐচ কী শান্নরোই অমনা এস য়ু দব্লিউ সিগী মায়োক্তা দ্রোপ থাখিবা*

লোয়শিনবগী থৌরমদা ওল মণিপুর স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরি আর কে সনায়াইমা সিংহ অমদি ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কে কৃষ্ণচন্দ্র শর্ম্মনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট অমসুং প্রসিদেন্ট ওইদুনা মনা মথুমশিং য়েন্থোক্লনি।

ঙসি শান্নখিবা মিনি বোইজগী সেমি ফাইনেল মেটচশিংদা এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্না টি জি ঐচ হৈক্রুজম্বু সেট ৩–০ (২৫–১৬, ২৫–২০, ২৫–১৩)দা অমদি এন ৱাই ভি এ নাওরেম্না পি বি এম ৱাংজিংবু সেট ৩–২ (২৫–২১, ২৫–২৩, ১৬–২৫, ২৩–২৫, ১৭–১৫) দা মায়থীবা পীখি।

টিম ৩ না শরুক য়াদুনা চথরিবা ৬ শুবা ষ্টেট লেভেল ৱুমেন ভোল্লিবোল চেম্পিয়ন্সিপকী ঙসি শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন লীগকী মেটচশিংদা এস ৱাই দি এ মুতুম ফিবৌনা মেটচ ২ অমদি এস য়ু দব্লিউ সি ইরেংবম্না মেটচ ১ মায় পাক্লগা মকোক মথং তাদুনা ফাইনেল চঙখিবনি।

অহানবা মেটচতা এস ৱাই দি এ না এস য়ু দব্লিউ সিবু সেট ৩–০ (২৫–১৫, ২৬–২৪, ২৫–১৯) দা, অনীশুবা মেটচতা এস য়ু দব্লিউ সিনা ৱাই এস সি টি থম্নাপোকপীবু সেট ৩–০ (২৫–১৭, ২৫–১০, ৩১–২৯) দা অমদি অহুমশুবা মেটচতা এস ৱাই দি এনা ৱাই এস সি টিবু সেট ৩–০ (২৫–১১, ২৫–২০, ২৫–২৩) দা মায়থীবা পীখি।

# ঙোবনা কে কে ৱাই দি এ খা জিরি, অঙম্বনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম মায় পাকহনখ্রে

FOOTBALL



*থাউ অমদি কে কে ৱাই দি এ না শান্নখিবা ১৬ শুবা মেটচ*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা চথরিবা ২১ শুবা এল সঙ্গীতা দেবী মেমোরিয়েল ফর্স্ট দিভিজন ফুটবোল লীগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন জি ঙোবনা কে কে ৱাই দি এ খা জিরি অমদি এন অঙম্বনা ৱাই দব্লিউ সি মালোম মায় পাকহনখ্রে।

অহানবা গ্রাউন্দদা থাউ থাংমৈবন্দ অমদি কে কে ৱাই দি এনা শান্নখিবা ১৬ শুবা মেটচতা কে কে ৱাই দি এনা গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। কে কে ৱাই দি এগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন জি ঙোবনা ১২ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অনীশুবা গ্রাউন্দদা ৱাই দব্লিউ সি মালোম অমদি চিকল লিলোং চজিংনা শান্নখিবা ১৭ শুবা মেটচতা ৱাই দব্লিউ সিনা গোল ১–০ দা মায়থীবা পীখি। ৱাই দব্লিউ সিগী মায় পাকপগী গোল অদু ১৪ শুবা মিনিটতা এল মোনিসনা পেনাল্টিদা চনখিবনি। চিকলনা পোরিবা গোল অদু হন্দোকপা য়াবা তঞ্জা অমা ১৮ শুবা মিনিটতা পেনাল্টি ফংলবসু এল ঙানবনা গোল পোষ্টকী মথক্তা কাওখিবদগী গোল ওন্থোকপা ঙমহৌদবদগী মায়থীখিবনি। চিকলগী এস ঐচ তোম্বীদা রেফরিনা ৫৭ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমা বুক তৌখি।

হয়েং নুংথিলগী পুং ১ দা ৱাফা ৱাঙ্গোইগা গ্রুপ সেন্টর সি আর পি এফকা ১৮ শুবা মেটচ ওইনা অমদি ৱাই এ সি য়াইস্কুলগা আই বি এস এ য়ুম্নাম লৈকাইগা নুংথিলগী পুং ২.৪৫ দা ১৯ শুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।





# মণিপুর অমদি চান্দিগড় ক্বার্টর ফাইনেলদা থেংনরগনি

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* নিয়ু দিল্লিদা চথরিবা চহী ১৪ মখা নুপামচাগী ৫৫ শুবা সুব্রোতো কপ ইন্টরনেস্নেল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪দা মণিপুরনা অরোইবা লীগ মেটচতা সিক্কিমবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপ (ই)গী ৱিন্নর ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

মণিপুরনা ক্বার্টর ফাইনেলদা গ্রুপ (এফ)কী ৱিন্নর চান্দিগড়গা থা অসিগী ২৬ কী নুংথিল পুং ৩.৩০ দা ডাঃ অম্বেদকর ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি।

ঙসি শান্নখিবা মণিপুরগী অরোইবা লীগ মেটচতা সিক্কিমগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারিবা নামচি স্পোর্টস হোষ্টেলবু গোল ১–০ দা মায়থীবা পীরগা গ্রুপকী ৱিন্নর ওইখিবনি। মণিপুরগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু এন রোসননা ১৮ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

মণিপুরনা লীগ রাউন্দদা মেটচ অহুমক মায় পাক্লুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখিবনি। অহানবা মেটচতা ইয়র ফোর্স স্কুল দিল্লিবু গোল ৯–০ দা অমদি অনীশুবা মেটচতা উত্তরখন্দগী মহারানা প্রতাপ স্পোর্ট কলেজ ধেহরাদুনবু গোল ৩–০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ (এফ)কী মেটচতা চান্দিগড়গী গভর্নমেন্ট মোদেল হায় স্কুল সেক্টর ৩৬ না শ্রীলঙ্কাগী জহিরা কলেজ উতালম্বু গোল ৭–০ দা মায়থীবা পীরগা ক্বার্টর চঙখিবনি।

# থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলনা চেম্পিয়ন ওইখ্রে

FOOTBALL



*চেম্পিয়ন ওইখ্রবা থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলগী শান্নরোই অমদি ওফিসিয়েলশিং*

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুল বিষ্ণুপুরনা অহানবা কোকাকোলা স্কুল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৪ গী চেম্পিয়ন ওইখিবগা লোয়ননা নেস্নেল চেম্পিয়ন্সিপতা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়ারগনি।

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা থা অসিগী ২০ দগী স্কুল ৫ না শরুক য়াদুনা আর্টিফিসেল টর্ফ গ্রাউন্দ খুমন লম্পাক্তা চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুল বিষ্ণুপুরনা এফ্রোস এ হায়র সেকেন্দরি স্কুল খাবৈসোই ইম্ফাল ইষ্টপু গোল ৫–১ দা চাওনা মায়থীবা পীরগা চেম্পিয়ন ওইখিবনি। থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলগী গোলশিং অদু ঐচ মহেশনা ৩৩ অমদি ৬৪ শুবা মিনিটতা অনী, এন জি দিনেশ্বর, এন নেপোলিয়ান অমদি এন মহেচান্দনা মথংশিংনা ১৮, ২৩ অমদি ৬৪ শুবা মিনিটতা অমমম চনখিবনি। এফ্রোস এ হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা পোইরৈতোননা ৬৬ শুবা মিনিটতা চনখিবনি।

অহানবা হাল্ফকী মতম লোয়বা ফাওবদা থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলনা গোল ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। এফ্রোস এ হায়র সেকেন্দরিগী এম দি ঐনুলহক অমদি থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলগী এন খাবদা রেফরিনা মথংশিংনা ৬৭ অমসুং ৬৮ শুবা মিনিটতা য়েল্লো কার্দ অমমম বুক তৌখি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা থিনুঙ্গৈ ফুবালা হায় স্কুলনা সেমি ফাইনেলদা ওক্সুবুং বিরচন্দ্র হায় স্কুলবু অমদি এফ্রোস এ হায়র সেকেন্দরি স্কুলনা তাংজেং নিংথৌ হায় স্কুল থৌবালবু মায়থীবা পীরগা ফাইনেল চঙলকখিবনি।

## মণিপুর ষ্টেট লীগ

*ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২৪ঃ* ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ইম্ফাল কাংজেবুংদা চথরকপা ৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগ ২০১৪গী মখা তাবা মেটচশিং থা অসিগী ২৮ দগী শান্নবা হৌরগনি।

নুমিৎ অসিগী নুংথিল পুং ১২.৩০ দা ৬ শুবা রাউন্দগী অহানবা মেটচ ওইনা এস এস য়ু শিংজমৈগা নিসা থাংমৈবন্দগা শান্নগনি। অনীশুবা মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব অমদি ট্রাউ ক্বাকৈথেলগা নুংথিল পুং ২.৩০ দা শান্নগনি। তাং ২৯ গী অহানবা মেটচতা নেরোকা শঙাকফমগা ক্লাসা কৈনৌগা অমদি অনীশুবা মেটচতা য়ু এস এ খুরাইগা জেট এফ সি চুড়াচান্দপুরগা শান্নগনি। তাং ৩০ গী অহানবা মেটচতা ট্রাপু নম্বোলগা এফ সি কে সদর হিলসকা অমদি অনীশুবা মেটচতা নাকো নম্বুলমপালগা এ আই এম খাবম লমখাইগা শান্নগনি। ওক্টোবর ১ দগী তরেৎশুবা রাউন্দ হৌগনি।


## L.G.MOTORS EMPLOYMENT NEWS

KHAGEMPALLI HUIDROM LEIKAI,IMPHAL WEST,
NEAR YUMJAO LAIREMBI MANING

| Sl. No. | Name of the post | Qualification | Branch | No.of Post |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Asst.Manager(Banking) | M.C.A/B.C.A/B.com/M.com | H.Q | 2 |
| 2. | Asst.Manager(Recovery) | 10+2 (Computer Know) | H.Q | 2 |
| 3. | Computer Operator | DTP/Tally(Know) | H.Q | 1 |
| 4. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Lamlai | 2 |
| 5. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Pangei | 2 |
| 6. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Samurou | 2 |
| 7. | Asst. Manager | 10+2 (Computer know) | Thoubal Branch | 3 |
| 8. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Sekmai | 2 |
| 9. | Asst. Manager | 10+2 (Computer Know) | Patsoi | 2 |
| 10. | Mechanic (2/3 WHEELER) | VII Pass (3 yrs experience) | H.Q | 3 |
| 11. | Security | VIII Pass | H.Q. | 3 |
| 12. | Driver | Truck(LOCAL) & CAR | H.Q | 1+1 |
| 13. | Grade IV | VII Pass | H.Q | 2 |
| 14. | Brick Mistry | VII Pass | H.Q | 3 |
| 15. | Brick Jugali | VII Pass | H.Q | 10 |

*Kakching Bazar ga nknaba sorokka hek tainaba mayai oirp chouba showroom oiba yaba buildinggi room ama pamjei.*

Sd/-
M.D, L .G Motors



















Printed and Published by Waikhom Meghachandra Singh on behalf of Nongpok Publishers Pvt.Ltd from Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor: **H. Achouba Sharma,** RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*